**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-08-2024)**

**ওদিও(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহগী খোঞ্জেলনি হায়বা ওদিও রেকোর্দিং অমা সোসিএল মেদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা থাদোরক্লিবা অসি অরানবনি হায়রি।

রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সোসিএল মেদিয়াগী প্লেটফোমশিংদা হৌজিক ওদিও রেকোরদিং অমা থাদোরক্কুনা মদু মুখ্য মন্ত্রিগী খোঞ্জেলনি হায়না লান্না শন্দোক্লে। হায়রিবা শেমজিন শাজিল্লবা ওদিও অসি মীওই খুজোক খরনা ইরাং শাগৎনবা হোৎনবনি। হায়রিবা ওদিও অসি তোঙান তোঙানবা এক্স একাউন্টশিংদা চপ মান্নবা কেপসন ইদুনা কেম্পেইন অমগুম চাইথোরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মথক্তা মনিপুর পুলিসনা থিগৎপা হৌখ্রে। মসিদা চেন্নরম্বা খুদিংমক আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি। মীয়ামসু অসিগুম্বা অরানবা অমদি ভেরিফাইদ তৌদ্রিবা পাউ অসি শন্দোকপীদনবা আপিল তৌরি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চঙাংগৈ অৱাং লৈকাইদগী আর.পি.এফ. (পি.এল.এ) গী কাডর অনি ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফারবা মীওই অনি অসি ইম্ফাল মনুংদা নমদুনা শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অনি ফংখি।

অমরোমদা, ককচিং জিলাগী সেকমাইজিন মমাং লৈকাইদগীসু য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপা ঙমখি।

**ডে (এল)ঃ** ১০ শুবা নেসনেল হেন্দলুম ডে ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিতেদ অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ৱাংখৈদা লৈবা পান্থোইবী আরকেটতা পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা ঙরাং হৌদোকখিবা হেন্দলুম ইগজিবিসন ঙসিসু মফম অসিদা পাঙথোক্লি। ইগজিবিসন অসিদা মনিপুরগী তোঙান তোঙনবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী পোৎথোকশিং মীয়ামদা ফংহল্লি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর-কে. লমলি কামৈ অমদি মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্টকী মেনেজিং দাইরেক্তর-ই. জিতেন সিংহসু শরুক য়াখি।

**বাবিনা (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ব্রেজ ফিদিং ডে থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোয়দনা লৈবা বাবিনা হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ব্রেজ ফিদিং প্রমোসন এল্লাইয়েন্স ওফ মনিপুর, কোংগ্লোমরেট ওফ পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন-মনিপুর, ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স, ইম্ফাল ওফষ্ট্রেটিক এন্দ গাইনোকোলোজিকেল সোসাইতি অমদি ত্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু বাবিনা হোস্পিতালগী মেনেজিং দাইরেক্তর-ডা: টি.ঐচ. দল্লিনা হৌদোকখি।

**লৌশিপাৎ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী লৌশিপাৎকী অকোইবদা লৈবা ঙাগী ফার্ম অমদি লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইদুনা মায়কৈ কয়াদগী চেন্থরকপা ঈশিংনা লৌশিৎপাৎতা তুংশিল্লগা মসিদগী অমুক তেকচম মনিং চীং ফাওরগা খরুংপাৎ তাখিগদবা খোংলম অসি ফুনজিনখিবনা লৌশিপাৎকী অকোইবদা ঈশিং থুমজিল্লকপনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌমী অমনা

অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং মরক অসিদা শেল চংনা অমদি সরকারগী মতেং অমত্তা য়াওদনা লৌমীশিং অমদি ঙামীশিংনা ৱানা হোৎনজদুনা য়োকচবা ঙাশিং ঈশিং থুমজিল্লকপা অসিনা অমাং অতা থোক্লে। মসিদসু নত্তনা লৌ পাল্লবা লৌফম কয়াসু ঈশিং থুমজিনখ্রে। খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংবীদুনা সরকারগী মরি লৈনবা মীওইশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চংবিয়ু অমদি থোক্লিবা খুৎশেমগী ঈচাও অসিগী অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

**নোনে (এল)ঃ** হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবা অসিনা মরম ওইদুনা নোনে জিলাগী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমদি লৈনাং চেন্থরকপা অসিনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমীনা হায়-নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী তুপুল অমদি নমদুৱানজাং ভিলেজকী লোন্নবদা চিং নিংখায়বদগী লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রে।

**থৱান(এল)ঃ** চহি খুদিংগী লেপ্তুনা চত্থরকপা লাইগী থৌরম থৱান পোৎ লাকপা ঙরাং শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু মনিপুর পন্দিদৎ লোইশঙগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ ওইনাম থিঙেল হরাউ কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**সনাজাউবাঃ** রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা হায়রি- মনিপুরগী নেসনেল হায়ৱে টু অমদি ৩৭ অনি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক হান্নদগী পায়খৎপা হৌখ্রে অদুবু হেন্না খুমাং চাউশিননা পায়খৎনবা হোৎনবদা রাজ্য অসিগী ওইনা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা লম্বীশিং অসিবু শেমগৎপগী থৌদাং লৌরিবা কন্ত্রেক্তরশিংনা মশাগী মথৌ পাঙথোকবা হোৎনবদা অথিংবা কয়া

পীরি। ৱাফম অসি হৌজিক চথরিবা সংসদ মীফমদা রাজ্যগী সভাগী এম.পি. লৈশেন্বা সনাজাউবনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন অমদি মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংগা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অথিংবা থল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে। নেসনেল হায়ৱে নম্বর টু অমদি ৩৭ কী লম্বীশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

মনিপুরগী এম.পিশিং অমদি মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেংগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকশিং অসি লোয়শিনমীন্নবা হোৎনমীন্নদুনা লম্বী শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎমীন্নসি। লৈরিবা ৱাথোকশিং অসিগী মনুংদা ক্ষেতিপুরোন পীবগী ৱাফমসু য়াওরি। অসিগুম্বা কয়া অসি রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী মপুং ফানা তেংবাং পীবিরবদি লম্বী শেম্বগী থবক অসি মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না শ্রী নিতিন গদকারিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসকী মরক্কী ওইবা সরকার ঙসি শেল্লগনি। নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা প্রোফেসার-মহামদ য়ুনুজনা লুচিংগদবা মরক্কী ওইবা সরকার অসি ঙসি নুমিদাং ৱাশক লৌগনি। ৱাফম অসি আর্মি চীফ জেনরেল-ৱাকর-উজ-জমাননা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা মখা তানা হায়-হায়রিবা সরকার অসিদা মীওই কয়ামুক য়াওগনি হায়বদুদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক, ঙসি নুমিদাং মীওই ১৫ দি এদভাইজর ওইনা মরক্কী সরকার অসিগী ৱাশক লৌরগনি। মসিদা অমা নৎত্রগা অনিগুম্বা হাপচিল্লকপা য়ারি। ৱাশক লৌগদৌরিবা ডা: য়ুনুজ লৈবাক অসিদা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা য়ৌরক্লবা য়াই।

অমরোমদা, বঙ্গলাদেসকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি নুমিৎ মরিনিরোম অসিদা ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু জেনরেল ৱাকরনা ফোংদোকখ্রে।

লোয়ননা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা চথখিবা পামদবা থৌদোক থোকহনবদা চেন্নবা মীওইশিং লেমা থারোই অমদি মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মরক অসিদা, ইন্টর সাভির্সেস পব্লিক রিলেসন্স দাইরেক্তোরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-লৈবাক অদুগী মীয়ামনা হিংশা অমদি মখোয়দা কিহল্লকপা লৈরবদি মনাক নকপা আর্মি কেম্পতা পাউ ফাওননবা বঙ্গলাদেস আর্মিনা ফোংদোকখ্রে। বঙ্গলাদেস আর্মিগী লান্মীশিংনা মীয়ামগী পুন্সি,লন-থুম অমদি সরকারগী মরুওইবা মফমশিং ঙাকবগীদমক মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-সুদা লৈবা কুকি (য়ু.জি.) মশিং লিশিং ২,১৮১ নি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-লাঞ্জেন্নরকপশিংনা লৈরিবা ফেব্রিকেটেদ হাউস ঈশিং থুমখ্রে, লোক্তাক পাৎতা হি লাকপগী থৌদোক্তা নুপা অমা শিরে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সৈখ হসিনাগী লৈঙাক তুখিবা লায়না লৌবা চুপ্লোই, ইন্দিয়াগী টেরিটোরিয়েল ইর্ন্টিগ্রীতি থুগায়নবা হোৎনরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং য়েংশিন্নবা হাউস কমিতি শেমলে হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-কে.এন.এগী চীফ-পি.এস. হাওকিপ সি.আই.এগী এজেন্ট ওইরম্লে। বঙ্গলাদেসকী সেন্টর মারটিন আইলেন্দদা য়ু.এসকী মিলিটরি বেস শেম্লকপা য়ারি হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-মনিপুরবু কনবদা ইন্দিয়াগী রেস্পোসিবিলিতি লৈ

হায়বা লোক সভা এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী কুকি মিলিটেন্টশিংনা তৌনিংবতা তৌরি, কুকিশিংনা ত্রক্কগী চিংথরগা পাউচে নমবা চে মকোল ৩৬ মৈ থাদোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-লাইবক থিবা থৌদোক অসি লো এন্দ ওর্দরগীনি হায়না লৌবা লানগনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-দ্রগ ফ্রি ইন্দিয়া কেম্পেইন হৌদোকখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-ইলিগেল ইনফ্লক্সকা মরী লৈননা শেমখিবা হাউস কমিতি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা লুচিংগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-বঙ্গলাদেসতা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অৱামি লিগকী লুচিংবা ২০ শিরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-লিম্থোইঙানবী অমদি হেমানজিৎকী মাঙখিবগী কেস অসিগী মতাংদা হাউসতা পুমনিল নিনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সদর হিলসতগী সাইবোল পোষ্ট লৌথোকখিবগীদমক কুকি নুপীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্বাক্তা সেরিকলচর ফার্মদা হাংলিবা প্রি-ফ্রেবিক্রেটেদ হাউস ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-রাজ্য অসিদা আইনা কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং য়েংশিন্নবা মীওই ১২ না শাবা হাউস কমিতি অমা শেমখ্রে হায়না হেদলাইন তৌরি।